# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 08-11-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্থবগী থবক চখৎবদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং অমদি খুৎশু খুৎলায় ফাগৎলে।

২) বিহার বিধান সভা মীখলগী অনিসুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে।

অমসুং

৩) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু নুমিৎ ৬ নিগী অঙ্গোলা অমসুং বোটসৱানানা খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি।

------

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা আইন কায়বা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা থিবা হুন্থবগী থবক লেপ্তুনা চখৎরি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্থবগী থবক চখৎবদা তোঙান তোঙানবা মফমদশিংদগী খুৎশু খুৎলায় অমদি আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওই খরা য়াওনা গঞ্জা কিলোগ্রাম ৬ ফাগৎপা ঙমলে।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্থবগী থবক চখৎবদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ আর.পি.এফ-পি.এল.এগী এক্তিভ কেদর অনি ফারে। মীওইশিং অদু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী

খুরাই লমলোং অমসুং জিলা অসিমক্কী অন্দ্রো উচোন ময়াই লৈকাইদগী ফাখিবনি। মখোয়দগী পোইন্ট থ্রি আইট পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু অহুম, চাকা অনি পানবা গাড়ি অনি, শেল ওইনা লুপা লিশিং ৬০,৩০০ ফাগৎপা ঙমখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা অন্দ্রো খারম লৈকাইদগী প্রিপাক্কী এক্তিভ কেদর নুপী অমা ফারে। অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা হুইকপ মখা লৈকাইদগী গঞ্জাগী কোন্ননা মীওই অমা ফারে। মীওই অদুদগী গঞ্জা কিলোগ্রাম ৬ ফাগৎপা ঙমখি।

মনিটেক্স (এল)ঃ রাজ্য অসিদা লৈরিবা তৎদু লৈতাদবা ফিভম অসিনা মরম ওইরগা চহি অনি লেপ্লুরবা মতুং মণিপুর ইন্তরনেসনেল টেক্সতাইল এক্সপো (মনিটেক্স) ঙসিদগী হৌরগনি। রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলনা শিন্দুনা নুমিৎ মঙানি চত্থগদবা এক্সপো অসিদা মপান লৈবাকশিংদগী লাকপা ওন্তরপ্রেন্যুরশিং য়াওনা লমদম অসিগী ফিশা-লোনশা তৌরিবশিং অমসুং খুৎ-শা হৈনবগী শিনফমদা লৈরিবশিংনা শাবা পোৎলমশিং উৎপা ষ্টোল ১০০ হেন্না হাংগনি। ইম্ফাল ইষ্টকী নিলাকুথিদা লৈবা অরবান হটতা পাঙথোক্কদৌরিবা এক্সপো অসিদা ফোরেন বাইয়র ৮ অমসং এক্সপোর্টর ৬ য়াওগনি । এক্সপো অসিনা অতৈ লৈবাকশিংদগী লাকপা মীওইশিংদা লমদমসিগী পোথোকশিংগী ফজবা অমসুং মগুনশিং খঙহন্দুনা আর্তিসানশিংগী অচৌবা কৈথেল অমা শেন্বীদুনা মখোয়গী পুন্সি মহিং ফগৎহনবতা নত্তনা রাজ্য অসিগী শেনমিৎলোন ফগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

দেঙ্গি (এল)ঃ মণিপুরদা ঙরাং দেঙ্গিগী অনৌবা কেস ১২৬ থেংনরে।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ইম্ফালগী রিমস হোস্পিতালদা সেম্পল ৬১ টেষ্ট তৌবদা ৩৪ পোজিতিম ওইখি। জেনিমস হোস্পিতালদা সেম্পল ১৫৮ টেষ্ট তৌবদা ৮৭ পোজিতিভ ওইখি। অদগা লনাই হোস্পিতালশিংদা সেম্পল ৫ টেষ্ট তৌবদা মঙামক পোজিতিভ ওইবা থেংনখি।

ঈ (এল)ঃ দিপার্টমেন্ট ব্লড ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিন রিমস ইম্ফালদা ঙরাং ভোলুন্তরি ব্লড দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি বিষ্ণুপুর দিষ্টিক্ট ব্রাঞ্চ, সায়াতপ ফাউন্দেসন, নিউ লাইফ ফাউন্দেসন মণিপুর, পিপলস রিছোর্স দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুর, দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিন রিমস ইম্ফাল, ষ্টেট ব্লড ত্রান্সফ্যুজন কাউন্সিল মণিপুর, মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ত্রোল সোসাইতি অমদি নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরনা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবনি।

পৱার (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্টকী য়ুরেম্বমদা লৈবা পৱার গ্রিদকী থার্তি থ্রি কে.ভি. সিষ্টেমগী স্বিটচ গিয়ার শেমজিন শাজিনগদবা মরমনা থা অসিগী ১০ দগী ১৪ ফাওবা সট দাউন তৌগনি। মরম অদুনা থার্তি থ্রি বাই এলেভেন কে.ভি. শঙাইপ্রৌ সবষ্টেসন্না কোনবা তেরা, ক্বাকৈথেল, মালোম, থার্তি থ্রি বাই এলেভেন কে.ভি. মোংশাংগৈ সবষ্টেসন্না কোনবা মোংশাংগৈ, কৈশামথোং, থার্তি থ্রি বাই এলেভেন কে.ভি. ককৱা সবষ্টেসন্না কোনবা শিংজমৈ, ককৱা অমদি থার্তি থ্রি বাই এলেভেন কে.ভি- জি.আই.এস সবষ্টেসন্না কোনবা কাঞ্চিপুর অমদি ক্যামগৈনচিংবা মফমশিংদা হায়রিবা মতম অসিদা মৈ চাং নাইনা পীবা ঙমলোই হায়না মণিপুর ষ্টেট পৱার কম্পনি লিমিতেদকী চেরোল অমনা হায়রি।

বিহার ঃ বিহার বিধান সভা মীখলগী অনিসুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা মাগী মাগী মীরেপকীদমক ঙমজবী থাদুনা মীয়ামগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনরি।

ঔরঙ্গবাদতা ঙরাং পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফম অমদা ঔরঙ্গবাদ অমসুং বাবুৱাগী এন.দি.এগী মীরেপ শৌগৎলদুনা বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- এন.দি.এনা বিহারবু হেন্না চাওখৎপা রাজ্য অমা ওইহন্নবা হোৎনবা ঙমগনি। মহাকা হায়- বিহারগী মীয়ামা এন.দি.এগী পুকচেল শেংলবা

মেনিফেষ্টোদা থাজবা থল্লি।

মরক অসিদা, বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা জামুইদা পাণ্ডথোকপা মীখলগী রেল্লিদা শরুক য়াখি। মহাকা এন.দি.এ মীরেপকীদমক পুরনিয়াদা পাণ্ডথোকপা রোড সো অমদসু শরুক য়াখি। কেন্দ্রগী মন্ত্রি অমসুং আর.পি.আই লুচিংবা রামদাস অথৱালেনা এন.দি.এগী মীরেপ্পু শৌগৎতুনা ঙরাং জামুই অমসুং গায়াদা পাণ্ডথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, কংগ্রেস ল্চিংবা রাহুল গান্ধিনা ভগলপুর অমসুং বানকা জিলাদা পাণ্ডথোকপা মীয়ামগী মীফমদা ৱা ঙাংখি। অদুগা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আর্জ্ন খরগেনা গায়া অমসুং রোহতাসতা পাণ্ডথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু নুমিৎ ৬ নিগী অঙ্গোলা অমসুং বোটসৱানানা খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। খোঙচৎ অসি ভারতকী লুচিংবা অমনা আফ্রিকান নেসনগী লৈবাক অনি অসিদা চৎপা অহানবা খোঙচৎনি।

খোঙচৎ অসিদা লল্লোন ঈতিক, ঙাকশেল অমসুং মীয়ামগী মরক্তা হেন্না চেৎশিন্নবা মরী হেনগৎহন্নবা পান্দম থল্লি। খোঙচৎ অসিদা রাষ্ট্রপতিনা ঙসি অঙ্গোলাদা থুংগনি। শ্রীমতি মুরমুনা অঙ্গোলাগী রাষ্ট্রপতিগা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি অমদি অঙ্গোলান পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাংগনি। থা অসিগী ১১ দনা অঙ্গোলানা নীংতম্বগী চহি ৫০ শুবা থৌরমদা শরুক য়াগনি। মহাকা অঙ্গোলাদা লৈবা ভারতমচাশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা আইনগী তেংবাং পীনবগী থৌওংশিং মপাঙ্গল কলহনবা হায়বা হিরমদা জাতি থাক্কী খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙসি নিউ দিল্লিদা লৈবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা হৌদোক্লগনি। প্রধান মন্ত্রিনা নেসনেল লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিনা শেম্বা কম্যুনিতি মেদিয়েসন ত্রেনিং মোদ্যুলসু হৌদোক্কনি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা মীয়ামদা ৱা ঙাংগনি। নুমিৎ নিনি চত্থগদবা মীফম অসিদা মপুং ওইনা লিগেল এক্ট দিফেন্স কাউন্সেল সিষ্টেম,

পেন্নেল লোয়রস, পারা-লিগেল ভোলুন্তিয়ার, পার্মেনেন্ট লোক অদালট অমসুং লিগেল সার্ভিস ইন্সটিট্যুসনশিংগী ফাইনান্সিয়েল মেনেজমেন্টকী মতাংদা খন্নগনি।

অমরোমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি উত্তর প্রদেশকী বরানাসিদা অনৌবা বন্দে ভারত এক্সপ্রেস ত্রেন মরি লমথাগনি। শ্রী মোদি মহাক্কী বিধান সভা কেন্দ্র ওইরিবা বরানাসিদা ঙরাং নুমিদাং থুংখ্রে। মহাকা মফম অদুদা থুংলবদা মীয়াম অমদি বি.জে.পিগী কারিয়াকার্তাশিংনা তরামা ওকখি। অনৌবা বন্দে ভারত এক্সপ্রেস ত্রেনশিং অসি বরানাসি-ফাজ্রাহো, লখনৌ-সরাই-রোহিলা, ফিরোজপুর-দিল্লি অমসুং ইরনাকুলম-বেঙ্গলুরু চেনগনি। মসিনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা হেন্না খুদোংচাহনবগী মথক্তা তুরিজম চাওহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

বন্দে মাতরমগী চহি ১৫০ শুরকপগী থৌরম ঙরাং ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকখিবা, থৌরম অদুগা মরী লৈননা গভর্নর আজয় কুমার ভল্লা য়াওনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোংলিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পাউশিং অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, সনালৈবাক, মণিপুর মেল, গানিফিউ মেল, তমেংলোং টাইমস অমসুং হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস পাউচেশিং অসিদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

বন্দে মাতরমনা মীয়ামদা লৈবাক নীংবগী ইনোৎ হাপ্লি হায়না গভর্নর আজয় কুমার ভল্লানা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। প্লান তৌদবা চাওখৎ থৌরাংনা ক্যামগৈ লৌকোল

শলাক শারে লৌরোক পন্থাদসু ঈশিংনা খুউ য়ৌরে, লৌমীশিং লৌ উনিংদ্রে হায়বা পাউ অসি পাউচে অসিমক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

স্পিকরবু লিদর খল্লগা গভর্নমেন্ট শেমগনি হায়বগী ৱাফমদা এক্স-সি.এমগী পাউখুম মা মাগী ইন্দিভিজ়্য়েল ঙাংবদুগীদি কম্মেন্ট লৈতে হায়বসিনা পোকফমগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

আই.দি.পিশিংগী থবক থৌরমশিংদা মতম খরা থেংথরবসু গভর্নরনা মীয়ামগী য়াইফনবা শোইদনা শিল্লক্কনি হায়বা থাজে হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর এন. বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই ফেষ্টিভেলগী কাইথোক্কদবা শেনফম আই.দি.পিশিংদা থাদবনা চুমগনি হায়না কোকোমিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনালৈবাক্কী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা মণিপুর মেলদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

জেদ.য়ু.এফকী কাদরশিংনা অমুকসু কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী পোপি থাবা মফমশিংগী লৌশঙশিং মৈ থাদোকখ্রে হায়বা পাউ অমদি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সাবিত্রি ঠাকুরনা জিরিবামদা পায়খৎপা স্কিমশিং পাক্তকনা য়েংশিল্লবসু আই.দি.পিশিংগা উন্নখিদ্রে হায়বা পাউশিং অসিনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

১৮ শুবা ষ্টেট লেবেল ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেল ২০২৫ গী মনুং চন্না পাঙথোক্কদবা তমেংলোংস গোট টেলেন্ট সিজন ফাইভকী দিটেলশিং দি.সি. তমেংলোংনা পুথোকখ্রে হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------